উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা এমসু হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা কোল্লিবা মফম সোরা মমাঙ প্লেগ্রাউন্দগী অকোয়বদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি সোরা ইষ্টর্ন স্পোর্টস এসোসিএসন ক্লবকা পুন্দুনা ট্রী প্লান্টেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস ঐচ নাজির অহমদনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মফম অসিদা উ-পাম্বী ১০০ রোম থাখি। লোয়ননা এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদসু মখা তানা উ থাবগী থবক চত্থখিগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

ডা. জে সুরেশ বাবুবু...

লামায় ১গী মখা... ওইরিবা ডা. রাজেশ কুমারগী মরক্তা অমনা অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইরকপা য়াই হায়না আই এ এস অমদি এম সী এস ওফিসর কয়ানা পানরি। আই এ এস ওফিসর অহুম অসিগী মনুংদা ডা. সুহেল অখটরদি ওগষ্ট থাদা থবক্তগী পোত্থাগদবগী ঙাইদুনা লৈরবনি। অদুগা ডা. রাজেশ কুমার অমসুং এম ঐচ খাননা থবক্তগী পোত্থাগদবা মতম চহী ২ রোম ৱাৎলিবনি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্লা করম্বা ওফিসরবু অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনা হাপ্পক্কদগে হায়বদুসু য়েংবা তারি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.908029
US Dollar	74.635710
British Pound	93.176080
Australian Dollar	51.805560
Chinese Yuan Renminbi	10.562490
Japanese Yen	0.694803
Malaysian Ringgit	17.410992
Singapore Dollar	53.502408
South Korean Won	0.062257
Saudi Arabian Riyal	19.902856
Thai Baht	2.397964
Myanmar Kyat	0.05477
Bangladesh Taka	0.87883

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47720.00
Mumbai	–	Rs	47961.00
Delhi	–	Rs	47840.00
Kolkata	–	Rs	47567.00

GAS NEWS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 02/06/2020
Valid From : 02/05/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 7.30am –11.00am

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto: 19/06/2020
Valid From: 29/05/2020
19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing: 8:00am to 2:00pm

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking Upto : 11/06/2020
Valid From: 04/06/2020
Booking Only : 03852444677
Enquiry Only : 9436280866
Time : 7:30 am to 11:00 am

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking Upto 02/05/2020
Valid From : 24/04/2020
Stock: 612
HOME DELIVERY ONLY
Contact: 9862836403, 8415050488, 9862283423
From 7:00 am to 10:00 am

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
ONLY HOME DELLIVERY
Booking Upto : 10/05/200
Valid From : 27/03/200
Stock : 612
Call Timing: 8:00 am to 12 noon
Contact : 9862640159/ 93660135471/8132036940

IMPHAL L.P.G. SERVICE
Booking Upto : 01/07/2020
Valid From : 25/05/2020
Serial No. **10600**
19kg commercial cylinder available
5kg available
Delivery and payment at Heinoupok office
Time : 8:00 a.m. to 11.30 am
Contact : 6009392991
For WhatsApp booking type REFILL and send to 7588888824

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto Sl. No. 50 A&B
dt 13/06/2020
Valid from : 10/06/2020
Time : 7.30 am to 11:00 am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8:00 am to 12:00 Noon

GBD INDANE SERVICE
Booking Upto : 18/05/2020
Valid From : 28/04/2020
Stock : 229
All Customers are Home Delivery
Working Hours: 7:30 am -12:00 Noon
(Everyday Except Holiday)
Contact No. 7629947179 for Refill Order and Enquiry Only
Contact No. 7629947187 for Booking only

‘অনীশুবা ক্লাস সিটিজন ওইনা লৈরক্লিবশিংগী ৱারোইশিনদি দিলিমিটেসন নত্তনা লৈতে’

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): অনীশুবা ক্লাসকী সিটিজেন ওইনা লৈরক্লিবা মীয়ামগী ৱারোইশিনদি দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজ নত্তনা উপায় অতৈ লৈতে হায়না এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর হেদ ওফিস, ককচিংগী কনভিনর পি সোমরেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিং নিংথৌ লৈকায়দা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সোমরেন্দ্রনা হায়খি, পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিদা য়াম্না ঙকপা মওং অমদা ভোট থাদবা য়ারগা ভোট লেপ্পদি য়াদবা কয়া অমা লৈরি। হৈরোক, ৱাংজিং-তেন্থা, খাঙবোক, ৱাবগাই, ককচিং, হিয়াংলম, শুগনু অমদি জিরিবাম অসি কুমজা ১৯৫২দগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এস টি রিজর্ভ সিটতা য়াওদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা অনীশুবা ক্লাসকী সিটিজেন ওইনা লাক্লি। মসিগী ৱারোইশিনদি দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজ নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈতে। কুমজা ১৯৫২দগী হৌনা ঙসি ফাওবা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা চপ মান্নবা রাইট ফংহনগদবনি হায়না তক্নদুনা লাক্লি।

কুমজা ২০০২দা ইন্দিয়া পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা দিলিমিটেসন বিলগী মখাদা এক্ট ওন্দুনা মসিগী প্রোসেস চত্থরম্লগসু মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরগী লেপ্তুনা লৈরকখি। কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী ২৮দা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টরনা থোকখিবা য়াথং অমনা ষ্টেট মরি, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, নাগালেন্দ অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মির য়াওনা দিলিমিটেসন তৌনবা খোঙথাং লৌখৎখ্রে। ইনৌ নৌনা থা অসিগী ২দা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা থোকখিবা য়াথং মতুংইন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা চেরোল থাদুনা থা অসিগী ৭ ফাওবদা ষ্টেটিষ্টিকেল দেটা অমদি মেপ শেমগৎতুনা থারক্নবা খঙহনবা লৈখ্রে। মসিমক দিলিমিটেসন প্রোসেস চত্থদুনা অথুবা মতমদা লোইশিনবা য়ানবগী খোঙথাং অমা ওইনা উরি। দিলিমিটেসন কম্মিসন্না পুথোকপা পোপ্যুলেসন ফিগর হায়বরোমদা নকশিল্লক্লি। দিলিমিটেসন এক্ট ২০০২ অসি ইন্দিয়াগীদি মরিশুবা তাঙ্কক্কী দিলিমিটেসননি। কুমজা ২০০১গী মীকোক থিবদা য়ুম্ফম ওইরগদি পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপসু লৈরিবনি হায়নসু মখা তাখি।

লৈবাক্কী থৌনি ইঙেন কুমখায়বা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): লৈবাক নিংথৌগী মশিল ওইনা চহী খূদিংগী তৎপা কাংবা লৈতনা পাঙথোরকপা ইঙেন কুমখায়বগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমদি কংলাদা নিংথৌনা লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে।

এম পি মীখল মায় পাকখ্রবা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা কংলাদা লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফমদা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখি। ইঙেন কুমখাইবা ইরাৎ থৌনিগী নুংগী ওইবদি চহী অসিগী লৌউ-শিংউদা তীন-কাঙ তাদনা মহৈ-মরোং চুম্না লোকপা ঙম্নবা পাঙথোকপনি। উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবগী মফমদসু ইঙেন কুমখায়বগী ইরাৎ থৌনি অঙোম নিংথৌনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। উত্রা শঙলেননা শীন্দুনা পাঙথোকপা অদুদা লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ, মালেম অঙানবা লূপ য়াওখি।

এগেনষ্ট কোভিদ হায়বা ৱার্কশোপকা লোয়ননা মন্ত্রি দোলানসনা হল্লকপা লীলা পুথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): এগেনষ্ট ওফ কোভিদ-১৯ হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীল অমদি ঠিএটর মিরর অনীনা খুৎশম্নদুনা থা ১গী ৱার্কশোপ পাঙথোকপগা লোয়ননা মন্ত্রি দোলানসনা হল্লকপা লীলা পুথোক্লগনি হায়না শুমাং লীলা কাউন্সীলনা লাউথোকখ্রে।

কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাউমীশিংগা উনবদা ৱার্কশোপ অসিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ৱারেপ্পা নবনা হায়খি, কোরোনা লাইচৎ অসিনা কলচর তৌরিবশিংদা অৱাবা মওং অমদা তুরোই-ঙারোই তৌদুনা লৈরক্লি। লোকদাউননা মরম ওইরগা ৱার্কশোপসু পাঙথোকপা ঙমদ্রে। লৈঙাক্লা মতেং পীবীবসু লৈতে। জুলাই ১৭তগী শুমাং লীলাগী ৱার্কশোপ পাঙথোকপা হৌরগনি।

ৱার্কশোপ অসি হন্দক্কী ওইনদি কোভিদ-১৯দগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী এৱ্রেয়ার্নেসকা লোয়ননা এগেনষ্ট ওফ কোভিদ-১৯ হায়বা থীমদা পাঙথোক্কদবনি। ট্রেনিশিং অসি ৭০ হেন্না লাকই। হন্দক্কী ওইনদি লৌররোই। দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চত্থগনি। ট্রেনি ২০দগী হেন্না লৌররোই। মতৌ করম্না কোরোনাদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বদুদা মীৎয়েং থম্লগা পাঙথোক্কনি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা ইনমেটশিংগা কোরোনা ৱারিয়রশিংগা ৱাখল তান্নদবা থোক্লিবসি এৱ্রেয়ার্নেস পীবদা মতেং খরদা ওইরবসু হায়না মন্ত্রি দোলানসনা হল্লকপা হায়বা লীলাসি পাঙথোক্কনি। মীয়াম্না এৱ্রেয়ার্নেস পীবদা য়াওহন্নিংলবদি হায়বীরক্লগা উৎকনি। কোরোনা ৱারিয়রশিংনা ইনমেটশিংগা ৱাখল তান্নদবা থোক্লকপসি নুংঙাইতে হায়খি।

ৱার্কশোপ অসিগী কেম্প দিরেক্টর হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা, শুমাং লীলা হায়বসি শেমজিন-শাজিনবা লোইদ্রিবা অমনি। ফজরবদি খঙবা অমদি শাজিনবা লোইদ্রিবনি। শক্লাইরবা কয়া চহী-চহীগী লৈরক্তবনা মখোয়দগী লৌগদবা কয়াদু মাঙশিল্লক্লে। শুমাং লীলাগী একাদেমীক ফাউন্দেসন শেমগৎকদবা ময়ামদু সুম মাঙশিল্লকপা অসিনা চহী-চহীগী পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অসি লেপ্পা য়াদে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

এম এ য়ৌশিল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা গেজেট ফোঙদুনা মীতৈ ময়েক-২৭ তমদুনা ঙসিদি এম এ ফাওবগী থাক য়ৌশিল্লক্লে হায়না মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী জেনরেল সেক্রেটরি লোয়খোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তম্নরিবা লাইরিকশিং অসিদা লোনচন (বনান) লানবা য়াওবা অসিনা মহৈরোয়শিংদা অৱাবা ওইরি। অৱাবা অসি মতুংদা থোক্তনবগীদমক লাইরিক ফোঙগদৌরিবা মীওইশিংগী মফমদা বনানগী মতাংদা মীলালগা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনবা হোৎনসি হায়নসু মখা তারি।

নেসন ৱাইদ প্রোটেষ্ট শৌগৎখিবা শিন্মীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): নেসনৱাইদ প্রোটেষ্ট অমা থা অসিগী ৩দা পাঙথোকপদা শৌগৎখিবা শিন্মীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অনৌবা লেবর লো চৎনহন্দনবা, পব্লিক সেক্তর য়ুনিটশিং প্রাইভেটাইজ তৌদনবা য়াওনা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা প্রোটেষ্ট চত্থখিবনি। কোভিদ-১৯ থেংননবা লার্ড থোকখিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা শেন্থোক হন্থরবা অন-ওর্গনাইজ সেক্তরগী শিন্মীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা থাগী ওইনা লুপা ৭,৫০০ হাপ্পবা অমদি কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র ওইরিবশিংদা মখল কয়াগী চেকশিন-থৌরাংগী পোৎলমশিং পীনবা ৱাফম য়াওরিবনি। মখোয়না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা মতমদা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। স্কিম ৱর্করশিংদা অহেনবা এল্লাওৱেন্স পীবগা লোয়ননা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক শুবগী নুমীৎ মশিং ২০০ দা লেপকদবনি। নোংমগী খুৎশুমল লুপা ৬০০ পীগদবনি হায়বা দিমান্দসু য়াওরি। অসিগুম্বা প্রোটেষ্ট অসিদা শৌগৎলকখিবা খূদিংমকপু থাগৎলি হায়নসু মখা তারি।

‘জিরিবামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্লিবসি লৈঙাক্কী চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি’

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): জিরিবামদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্লিবসি লৈঙাক্কী চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রেলৱে ষ্টেসন লৈরিবা জিরিবামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা থেংনবদা রিমস নৎত্রগা জেনিমসতা পুনবা এম্বুলেন্স লৈতবদগী মতম চানা লায়েংবা ঙমখিদবগী ৱাফম মীয়াম্না খঙনখি। থা অসিগী ৩দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা পুলিস ওফিসর ২ য়াওনা কন্সটেবল ১৪, ভি দি এফ ৮, মীচম ২ য়াওরকপসি লৈঙাক অসিগী চেকশিনবা ৱাৎপা থৌরাংদগীনি হায়না লৌদবা ঙমদে। লোকদাউন মখা তানা শাংদোকখিবদগী মতম শাংনা টাউন কয়াদা পন্দুনা লৈরক্লবা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং য়াওনা অনা-লায়েংগী মীওই কয়া মে অহানবা চয়োলদগী অখন্নবা ট্রেনদা জিরিবাম তম্না পুরকখি। জিরিবামদা অখন্নবা মেদিকেল টিম থম্নবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপাশিং থুনা শেমগৎনবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা লৈঙাক অসিদা তকশিনবা লৈখ্রবনি।

নোংমদা মীওই ১,২০০গী চাংদা থুংলখিবা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা মীশিংগা চান্নগদবা হেল্থ ৱর্কর, টেষ্টিং কিট মরাং কায়না থমদ্রিবা করিগীনো। লৈঙাক অসিনা পুকচেল তীংনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীবা পাম্লবদি জিরিবামদা নত্তনা মাও গেটতা অখন্নবা মেদিকেল টিম থম্বগা লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ৱাৎলিবা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অথুবদা শেমগৎনবা হোৎনফম থোকপনি। চেকশিন-থৌরাং মতম চানা পায়খৎনবা হোৎনদবদগী জিরিবামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্লিবনি। নোংজু থা য়ৌরকপদা গাড়ী চৎথোক-চৎশিন্দা অপনবা কয়া থোক্কনি হায়বসিসু মীয়াম্না খঙই হায়নসু মখা তারি।

মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেট্রিক বেটচকী মহৈরোয়শিংনা ককচিংগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা মকোক-মথং তারবশিংদা মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ককচিং তুরেল ৱাংমদগী ১১শুবা পোজিসন তাখিবা এরিস তোতল, ১২শুবা পোজিসন তাখিবী নাওরেম সোভিনেতি অমদি ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবা নাওরেম চেলসিদা মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ বেটচকী মেম্বরশিংনা প্রসিদেন্ট নাওরেম মুনালনা শেলগী মতেং অদু পোজিসন হোল্ডরশিংদা খুৎশিন্নখি। মনা য়েন্থোকখিবা অদুদা বেটচ অসিগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

বন মহোটসবকী থৌরম পাঙথোক্তুনা উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): বন মহোটসব ২০২০গী শরুক অমা ওইনা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শীন্দুনা ঙরাং উ-চারা থাবগী থৌরম অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফৌপম্না ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৃষ্ণকুমার, দি সী চান্দেলনা অথোইবা মীথুং, এন গনেশ, দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর চান্দেলনা থৌরম মপু অমসুং এন মধুনিমাই, এস পি চান্দেলনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা উ-চারাশিং থাখি। উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা লৈবা ওফিসরশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং, লম্ফৌপম্না ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎশিং অমসুং খুঙ্গাশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দি সী চান্দেল কৃষ্ণকুমারনা হায়খি, খুঙ্গাশিংনা থোকপীরক্তুনা থারিবা উ-চারাশিং অসিগী মপু ওইবীগদৌরিবনি। ভিলেজ লেভেলদা লৈরিবা ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, ক্লবশিংনা থারিবা পাম্বীশিং অসিবু ঙাক্তুনা থম্বীরগা নীংথিনা হৌহন্নবা হোৎনবীয়ু। ওল্লকপা চহীদা মসিগী থৌরমদা থারিবা উ পাম্বীশিং অসি কয়া য়াম্না হৌরিবগে, কয়া য়াম্না চাউখৎলবগে হায়বদু য়েংমিন্নসি। উশিং অসি নীংথিনা হৌরবদি অতোপ্পা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুনশিংনসু তমজনবা মফম অমা ওইগদৌরিবনি। মদু ওইরবদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক অসিসু মায় পাকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অনৌবা কেস ৪১ হেনগৎলক্তুনা অপুনবা...

লামায় ১গী মখা... তৌখিদুনা পূন্না ঙসি মীওই ২২ দিসচার্জ তৌখি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশীং ১৩৬৬ শুখ্রে অমসুং এক্টিভ কেসনা মীওই ৬৭৭ ওইরি। পূন্না রিকোভর তৌখিবা মশীংনা ৬৮৯ ওইখিবগা লোয়ননা রিকোভর তৌবগী চাং অসি চাদা ৫০.৪৩ ওইখি। লোয়ননা চেরোল অদুনা মখা হায়খি কোভিদ-১৯না ষ্টেট অসিদা ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসিগী মতুংইন্না কন্টেন্টমেন জোনদা অমদি ট্রেসিং তৌরিবা মফমশিংদা লৌখৎপা য়াবা মেদিকেলগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি কোভিদ-১৯গী কম্মন সিমটোম অসি লাইহৌ হৌবা, খনাউ নুংঙাইতবা, লোক থুংবা, হকচাং চিকপা অমদি শোর হোনবদা নুংঙাইতবা ওই। অদুবু হায়রিবা লাইওংশিং অসি ইনফ্লুয়েঞ্জা হায়রিবা লায়না অসিদসু থেংনৈ। অদুমকপু করিগুম্বা হায়রিবা লাইওংশিং অসি থেংনবিরবদি মনাক নক্লা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স ওফিসরশিংগা তানবিদুনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকপীয়ু হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা নুমীৎ খরনিসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা পোৎচৈ পুশিল্লকপগী য়াম্না মরুওইরিবা মফম অমসু ওইরিবা জিরিদা পুং ২৪গী মনুংদা পুলিস পর্সনেল ২৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী জিরি শিনবা থুংনা লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরক্কদরা হায়দুনা জিরিগী মীয়ামনা মীপাইনরে। ঙসি পুলিস পর্সনেলশিং অদুগী মরক্তা ময়ূমদা হনবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংশিংগী সেম্পল ১৫০মুক লৌখৎখ্রে হায়রি।

জিরিবাম হোস্পিটালদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না জিরি হোস্পিটালদা মেনপাৱর ৱাৎপনা সেম্পল কলেক্সন লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মেনপাৱর ৱাৎপনা নোংমদা সেম্পল কলেক্সন শুপ্পগী মীওই ১০০দগী ১৫০ খক লৌবা ঙম্লি। হোস্পিটাল অসিদা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরি খঙদবনা ঙসি পুলিস পর্সনেলশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু সেম্পল কলেক্সন লৌনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না করিগী চংহল্লিবনো হায়না ইরাং হৌখি। অদুবু দোক্তরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু খঙহনবদগী ইরাং হৌবা লেপখি হায়রি। লৌখ্রবা সেম্পলশিং জিরিদা ট্রু নেট মেছিন লৈতবনা ইম্ফালদা টেষ্ট তৌগদবগী থাখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা টেষ্টকী রিজল্ট অথুবা মতমদা রিজল্ট খঙহল্লক্লবদি লৌখৎহৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙমগনি। মরম অদুনা জিরিগী মীয়াম্না হৌজিক মীপাইনরিবা অসিদগী কোক্লনবা টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট লৈঙাক্লসু অথুবা মতমদা ফংহনবিয়ু হায়নসু পাউচে অসিগী খুৎথাংদা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিনা জিরিদা লৈরিবা মীওই খরগা ৱারী শাবদা মীওইশিং অদুনা হায়খি থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্লা জিরিবাম শিনবা থুংনা কমপ্লিট লোকদাউন লাউথোকখিবা অফবা খোঙথাংনি। মরমদি পুলিস পর্সনেল ২৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবশিং অদুগী মরক্তা ময়ূমদা লাকথোক লাকশিন অদুমক তৌখিবা ভি দি এফ ওইবা নুপা অমগী মমা জিরি কৈথেলদা এঞ্জাং-নাপি য়োনবা মীওই অমনি। করিগুম্বা ভি দি এফ ওইবা নুপা অদুগী মমাসু পোজিটিভ ওইরম্লগদি অতোপ্পা মীওইশিংদসু লায়না অসি শন্দোক্লম্বা য়াবগী অকিবসু লৈ। লোয়ননা পোজিটিভ ওইখ্রবা পুলিস পর্সেনেলশিং অদু কনাগা লোয়নরম্বনো অমদি কদাই-কদাইদা চৎলুবনো হায়বসু চপচানা খঙবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা জিরিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিবু কুপ্না য়েংশিনবিদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং অখন্ননা লৌখৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

ট্রকশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা...

লামায় ১গী মখা... আধার কার্দ অমা, ভোটর কার্দ য়াওনা রিকোভর তৌখি। ফারবা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর অদুগী মথক্তা নুংবা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক কন্না চত্থরি।

মীওই ৫৪০ রোম দিটেন তৌখ্রে...

লামায় ১গী মখা... তৌবগা লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৫৪,৮৫০ রোম ফাইন থিহনখ্রে। লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থোরকপা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা চৈরোক ফংবা য়াই হায়নসু পুলিসনা চেকশিন-ৱা থল্লক্লি।

নুপী অমা ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিরে...

লামায় ১গী মখা... লৈকাইগী মীওই তানরগা ইম্ফালগী ফায়র সর্ভিস ষ্টেসনদা পাউ পীখি। খূদক্তা ফায়র সর্ভিসকী কাঙবু লাক্লগা ঈশিংদা কুমদুনা থিবা মতমদা অয়ূক্কী পুং ৮.৩০ রোম তাবদা নুপী অদুগী অশিবা হকচাং অদু পুখ্রিদগী ফংবা ঙমখি হায়রি। পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৩গী অয়ুক পুং ৫ তাবদা থৌবাল মোইজিং ৱাংমা তাবা কোঞ্জিল লৈকাইদা লৈবী মন্দিনা (৫০) কৌবী নুপী অমসু ময়ূম মনাক্তা চেনবা থৌবাল তুরেলগী ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিরগা লৈরমখিবনি।

ওগষ্ট ১৫দা পুথোক্কদৌরিবা ভেক্সিননা...

লামায় ১গী মখা... এরিয়াদা দিল্লিগী লেফটিনেন্ট গর্ভর্নর অনিল বাইজালনা শঙ্গাখিবা সর্দার পটেল কোভিদ ক্যের সেন্টর এন্দ হোস্পিটালদা ফমুং ১০,০০০ থারি। সাউথ দিল্লি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মতেং লৌরগা শুপ্পগী নুমিৎ ১০নি খক্কী মনুংদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি শেমগৎখিবনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট শাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, য়ুনিয়ন হেল্থ মিনষ্টির ডা. হর্স বর্ধন, দিল্লিগী চীফ মিনষ্টির অর্বিন্দ ক্রেজিৱাল অমদি দি আর দি ওগী চ্যেরমেন জি সটিস রেদ্দিনা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী ফীভম য়েংশিনখি।

গাড়ী অতোংমল কনানা পুথোক্কনি : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): থৌবালদা হার য়েনবদা ককচিংগী লৌমী কয়ানা হার লৌনবা হোৎনবদা গাড়ীদা চৎলিবা অসিগী অতোংমল কনানা পুথোক্কনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক লৌমীশিংনা হার লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি। লৌমীশিংদা মতম চানা ফংহনগনি হায়না লৈঙাক্লা লাউরি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা য়েন্দে। থৌবালদা য়েনবনা মফম অসি তান্না চৎপদা মতম চঙলিবা অমদি গাড়ী অৱাইমল কনানা পুথোক্কনি। হৌজিক লৌমী খুল্লং কয়া মতম য়াম্না চিনবা ওইরি। লৌমী অমনা মাঙলিবা মতম অমদি গাড়ী তোংবগী শেল লৈঙাক্লা খনবীদে। ভিলেজ ওথোরিটিশিংনা পুন্না লৌবসু য়াদে। লৌসাল ওইনা লৌ উরিবা লৌমীশিংদসু হার পীবীদে। থৌওং অসি লৌমীশিংগী য়াইফনবা খল্লিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মহৈ লোয়শঙশিং রি-ওপন তৌনবা...

লামায় ১গী মখা... পুথোক্কদবনি। হায়র এদ্যুকেসন্দা চোইজ বেজ ক্রেদিট সিষ্টম খুদক্তা হৌদোকপা অমদি মণিপুরগী এদ্যুকেসনগী এগজামিনেসন নৌনা রিফোর্ম তৌগদবনি। ক্লাস টেন, টুয়েল্ভ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী অখন্নবা থৌশিল পায়খৎকদবনি হায়বা অসিনি। মোদরেটর ওইখিবা ডা. আর কে নিমাইনা হায়খি, হৌজিকসু মপান্দগী মী লাকপা লেপত্রি। নোলেজ বেজ সোসাইটিনি। মসিদা য়াওবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টম লৈখা তারক্কনি। অনৌবা চৈথেং লাক্কনি। ঐখোয়গী ওইবা চান্নগদবা কয়া শেম্বীগদবনি। ওনলাইন ক্লাসতি মায় পাক্তে। নেটকী প্রোব্লেম য়াম্না লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মশানা রিজাইন তৌজরে ফোঙদোকখ্রগা...

লামায় ১গী মখা... অদুবু তঙাইফদনা ৱাফম খরা ফোঙদোক্তবা য়াদবদগী ফোঙদোকপনি। চহীসিগী জুন ১৭তা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা সুভাসচন্দ্রনা মহাক বি জে পি মেম্বরশিপতগী তোক্লে অমদি এম এল এদগীসু রিজাইন তৌরে হায়না মশানা ফোঙদোকচখিবা লৈখ্রবনি। হৌজিক্লা নমদুনা তৌহনবনি হায়বা ৱাফম থল্লক্লি। পোলিটিক্স তৌরিবা কয়াদা মীয়াম্না থাজবা মাঙলকপা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা এম এল এ ওইরম্বা অমনা অসিগুম্বা ৱাফম অমুক ফোঙদোরক্লিবসি ঈকায়নিংঙাইনি। এম এল এগী দিগ্নিটিদা শোক্লগনি। বি জে পি মেম্বরশিপতগী তোকচরে হায়না মশানা ফোঙদোকচখিবা অসিনা অদুম্মক তাকচরবনি।

এসেম্ব্লী সেক্রেটরিয়টনসু এম এল এ সুভাসচন্দ্রগী রিজিগনেসন অয়াবা পীবগা লোয়ননা সিট ভেকেন্ট ওইরে হায়বগী ওর্দরসু থোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্কী রিজিগনেসন অয়াবা পীরে হায়বা ৱাফম লৈখ্রে। মশানা রিজাইন তৌজরে হায়না ফোঙদোকচখ্রগা অমুক নমদুনা তৌহনবনি হায়বা ৱাফম লাকপসিনা পোলিটিক্স তৌরিবা কয়াদা মীয়াম্না থাজদবা লাক্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোস্বামিসু শরুক য়াখি।

এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার য়াওনা ষ্টাফ ৬৫গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং চৎনহনবীগনু হায়দুনা হায় কোর্টতা...

লামায় ১গী মখা... ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর- ৪৯ ওফ ২০১৮ দিস্পোজ তৌখিবা মতমদা পি আই এল অসিগী ওক্টোবর ১১, ২০১৮দা কোর্ট অসিনা এপোইন্ট তৌরবা এদমিনিষ্ট্রেটরনা ভাইস-চাঞ্চেল্লরগী থবকশিং পাঙথোকপদা এম্পাৱর তৌখিবা ইন্টরিম ওর্দর অদুবুসু অপহেল্ড তৌখিবনি হায়রি।

লোয়ননা, মহৈকোল অসিগী ভি সীগী থবক পুরক্লিবা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা মহাক্কী মতমসিদা হায় কোর্টনা হায়বদগী হেন্দোক্লা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)না কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ৯দা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা খঙহল্লকখিবা ষ্টেন্দিং ইন্সট্রক্সনশিং ভাইয়লেট তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টনা পি আই এল নম্বর- ৪৮ ওফ ২০১৯গী কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ১৯দা পীরকখিবা ওর্দরনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিবু ভাইস চাঞ্চেল্লর ইন-চার্জ ওইনা কনফর্ম তৌরকখ্রবসু মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেগ্যুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা নত্তে হায়রি। অদুবু এদমিনিষ্ট্রেটর অসিগী ওফিসনা ভি সীগী ওফিস অসি মহাকপু রেগ্যুলর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবা ভি সী অমদৌনা লৌদুনা মিস-য়ুটিলাইজ তৌরে। থৌওংসিগী মখাদা মমাংগী কুমজা ২০১৯গী মে ২৭তা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা এদভর্টিজমেন্ট ওর্দর নম্বর- ১ ওফ ২০১৯, ২ ওফ ২০১৯, ৩ ওফ ২০১৯ অমসুং ৪ ওফ ২০১৯না মথংশিংনা এম য়ুগী গ্রুপ-এ কেটগোরিগী পোষ্ট-২০, গ্রুপ বি অমসুং সীগী পোষ্ট- ৭৪, টিচিং ফেকল্টিগী পোষ্ট- ১১৫ অমসুং ওগষ্ট ৬, ২০১৯গী এদভর্টিজমেন্ট নম্বর ৪ ওফ ২০১৯দনা ফেকল্টি অসিগী পোষ্ট-৩৬ লৌননবা এদভর্টিজমেন্ট নোটিসশিং থোকখি হায়রি।

মরমশিং অসিনা মহৈকোল অসিগী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংদা পর্মেনেন্ট বেসিসতা এপোইন্টমেন্টশিং পীনবগীদমক কেন্দিদেটশিংবু রেকমেন্দ তৌখিবা ওক্টোবর ২১, ২০১৯দগী হৌরগা চৎলিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ ১৩ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকখিবা সেলেক্সন কম্মিটিগী মীটিংশিংসু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়বসিনি। মরমদি ভি সী-ইন-চার্জ অমনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী)গী করিয়র এদভান্সমেন্ট স্কিম (সী এ এস) অমসুং এম এ সী পি স্কিমগী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং অমসুং ওফিসরশিংবু এপোইন্টমেন্ট ওন প্রমোসন অমসুং পর্মেনেন্ট পোষ্টতা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌনবগী সেলেক্সন কম্মিটিবু প্রিসাইদ তৌবগী মহাক্লা কম্পিটেন্ট ওথোরিটি ওইদে হায়রি।

পিটিসন অসিনা কোর্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমনা এম ঐচ আর দিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমনা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৭তা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ৩৯গী ভি সীশিংদা পীরকখিবা চেরোল অমদা সী সী এস (সী সী এ) রুলস, ১৯৬৫গী রুল ১২ (২)গী মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট অমনা করেন্ট দ্যুটিশিংগীদমক খল্লবা ওফিসর অমনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ নৎত্রগা ফাইনান্সিয়ল পাৱরশিংদি এক্সর্সাইজ তৌবা ঙমহল্লি। অদুবু ষ্টেট্যুটরি পাৱরবুদি পাঙথোকপা ঙমহন্দে হায়রি।

হায় কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিগী নম্বর- দব্লিয়ু পি (সী)- ২৮৮ ওফ ২০২০নি। মসিগী পিটিস্নরনা অকোইজম প্রিয়োবর্ত্ত (৩৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে অঙৌ, শীংজমৈ মখা সোরোখাইবম লৈকাইনি।

পিটিসন অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এম ঐচ আর দিগী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী সেক্রেটরি, য়ু জি সীগী সেক্রেটরি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার অমসুং মহৈকোল অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনি।

অদুগা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী দিস্পোজেলগীদমক পন্দুনা লৈরিঙৈদনা মখোয় মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিংবু মরক্কী ওইবা ওর্দর অমনা চৎনহন্দনা (ষ্টে তৌদুনা) থম্বীয়ু হায়জরক্লিবা রেস্পোনেন্দন্টশিংনা মহৈকোল অসিগী রেজিষ্ট্রার প্রো. দব্লীয়ু চান্দবাবু অমসুং প্রোফেসর য়াওনা অতৈ ষ্টাফশিংনা দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সাইন্সকী এসোসিএট প্রোফেসর চরোইবম ইবোহল, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর খ্বাইরাকপম শুরচান্দ, দালিপ সিংহ, দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম দাইনা নাওরেম, এসোসিএট প্রোফেসর নামৈরাকপম বিজেন মীতৈ, দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্যুনিকেসনগী এসোসিএট প্রোফেসর গনেশ সেঠি, দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী এসোসিএট প্রো. য়ুম্নাম প্রেমানন্দ, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর থৌনাওজম তপসিনি, থাজমানবী য়ুমখাম, সাপম দিলিপকুমার অমসুং খুমতিয়া দেববর্ম্মা, দিপার্টমেন্ট ওফ এম আই এম এসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিংদা সোরোখাইবম কেশোরজিৎ, সনসম সোমোকান্ত, দিপার্টমেন্ট ওফ নেসনল সিক্যুরিটি ষ্টদিজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর য়াইফরেম্বা ইঙুদম অমসুং সর্বসুরেস ধাম্মী, দিপার্টমেন্ট ওফ এদল্ট কন্টিন্যুইং এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটেন্সনগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর শর্মিলা থিংবাইজম, ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ কম্যুনিকেসন এঞ্জিনিয়রিং (এম আই টি)গী এসিষ্টেন্ট প্রো. নেমথিয়নহোই জৌ পি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্থ সাইন্সকী প্রোফেসর এম বিদ্যানন্দা, এসিষ্টেন্ট প্রো. সর্দা মাইবম, দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজগী এসিষ্টেন্ট প্রো. দাইনা চিংথাম, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরিগী এসোসিএট প্রো. কোইজম শান্তিবালা, ৱাহেংবম কুমারী চনু, চিরোম রাজকেটন, দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোজেফিগী এসোসিএট প্রো. এল বিস্বনাঠ, দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টোরিগী প্রোফেসর ওইনাম রঞ্জিৎ, পুম খান পাউ, জাংখোনমাং গুইতে, এসিষ্টেন্ট প্রো. বেদবতী লাইশ্রম, রামকৃষ্ণ মীসালা, দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রো. মোনালি মোইরাংথেম, মৈনম ইরিখোম্বা মীতৈ, ৱাঙম অপাম্থোই এম য়ুম্নাম, সঞ্জু রাজাক, দিপার্টমেন্ট ওফ হীন্দিগী এসোসিএট প্রো. অখিলেস কুমার শঙ্খধর, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর প্রদিপকুমার মৌর্য্য, দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ এনভাইরমেন্টেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রো. বিবেক কুমার ভাইস্নব, এম য়ু সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী লাইব্রেরিয়ন নিহারকন্তি পত্রা, দেপ্যুতি লাইব্রেরিয়ন মেমোরি শগোলশেম, য়ুনিভর্সিটি এঞ্জিন্নিয়র নিঙোম্বম থোইবা, সিষ্টেম মেনেজর ৱাংজম দেবেন্দ্র, মেদিকেল ওফিসার য়ুরেনশাং ঈশিদং, হীন্দি ওফিসর বিনিতা অকোইজম, দিপার্টমেন্ট ওফ জিওগ্রাফিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. সনন্দা কুন্থ, অভিজিট মিস্ত্রি, শবিনা হুসেন, দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. জিতেন্দ্র কুমার কুশৱাহা, অসেম ববিনা, সুচিত্রা খুমুকচম, দিপার্টমেন্ট ওফ যোগগী এসিষ্টেন্ট প্রো. নিলকমল নাওশেকপম, কুন্টল ঘোশ, দিপার্টমেন্ট ওফ লিংগ্যুইষ্টিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রো. মৈরাবা তখেল্লম্বম, দিপার্টমেন্ট ওফ লাইভ সাইন্সেসকী প্রো. কে এস ঐচ লাল বিহারি সিংহা, এসোসিএট প্রো. কে এস ঐচ বিরলা অমসুং অমিত সেঠ, দিপার্টমেন্ট ওফ মেঠমেটিক্সকী এসোসিএট প্রো. কাংঙুজম প্রিয়োকুমার, এসিষ্টেন্ট প্রো. থৌদাম রোসন, খ্বাইরাকপম হেরাচন্দ্র, দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সকী প্রো. অঙোম দিলিপ, এসিষ্টেন্ট প্রো. নিঙোম্বম চন্দ্রচানি, দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. সাইকট মুর্খজি, দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটিটিক্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ময়াংলম্বম বনিতা, দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী এসোসিএট প্রো. কৈশাম সুরজিৎ, দিপার্টমেন্ট ওফ কম্প্যুটর সাইন্সকী এসোসিএট প্রো. নজরুল হোক, দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও-টেক্নোলোজিগী এসোসিএট প্রো. থিয়াম রামশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রো. য়ুম্লেম্বম খোগেননি।

কেস অসি মমাঙ থাগী ১৮দা জষ্টিস লানুশুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লৌখৎলগা খন্নবা হৌবদা এম য়ুগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্ট ২গী মায়কৈদা লেপখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টেন্দিং কাউন্সেল সিনিয়র এদভোকেট বি পি শাহু অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লেপখিবা এ এস জি এস সুরেসনা সিভিল রিট পিটিসন অসি কোর্টনা খন্নবদা মেন্টেনেবল ওইব্রা নত্রগা ওইদব্রা হায়বগী ৱাফমশিং কোর্টতা ফোঙদোক্লরকখি। অদুগা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবী কাউন্সেল জি পুসপাগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী ওইবা সবমিসনশিং থমখি।

অদুবু কোর্টনা পার্টিশিংগী মহুৎ শীনবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা সিভিল রিট পিটিসন অসিবু মেন্টেনেবিলিটি ওইব্রা নত্রগা ওইদব্রা হায়বগী মতাংদা থাসিগী ৯দা হিয়রিং পাঙথোক্লবা লেপখি।